# যুক্রেনগী জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট মনাক্তা সেল কাপশিনবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে

কিভ, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):



যুক্রেনগী জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট (এনপিপি) গী ফ্যুএল ষ্টোরেজ ফেসিলিটিগী মনাক্তা সেল এটেক চথবগী রিপোর্টশিংগী মতাংদা শগোলশেল নুমিত্তা ইন্দিয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং রসিয়াগী মিলিটরি ওপরেসন থাতরুক শুরক্লে হায়রদুনা নাকল অনীমক্তা পুক্নিং ফাথনবা আপিল তৌখ্রে।

যুএনএসসিগী ব্রিফিং অমদা ৱাঙাঙলদুনা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা লৈবা ইন্দিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব রুসিরা কম্ব্রোসনা হায়খি, মদুদি জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী স্পেন্ট ফ্যুএল ষ্টোরেস ফেসিলিটিগী মনাক্তা সেল এটেকশিং চথবগী রিপোর্টশিংগী মতাংদা ইন্দিয়ানা নুংনাংবা ফোঙদোক্লি।

ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিশিং অদুগী সেফতি অমসুং সেক্যুরিটিদা অকায়বা থোকহন্দনবা ঐখোয়না মরী লৈনবা পুন্নমক্তা পুক্নিং ফাথনবা আপিল তৌরি। যুক্রেননা রসিয়াবু জাপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র প্লান্টতা সেল এটেক চৈখে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা অমুক হন্না মরাল শীখিবা মতুংদা ইন্দিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিবনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কাম্বোসনা হায়খি, মদুদি যুক্রেনগী পৱার রিএক্টরশিং অমসুং ফেসিলিটিশিংগী সেফতি অমসুং সেক্যুরিটিগা মরী লৈননা লাক্লিবা দিভলপমেন্টশিং মখোয়না কুপ্না য়েংশিল্লি। ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিশিংদা এক্সিদেন্ট থোক্লকপা তারবদি মদুনা পব্লিক হেল্ঠ অমসুং ইনভাইরনমেন্টদা চাওনা শোকহনগদবা ওইবনা ইন্দিয়ানা ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিশিংগী সেফতি অমসুং সেক্যুরিটিগী ৱাফম অসি য়াম্না লুনা লৌই।

মসিগা লোয়ননা আইএইএনা মসিগী ষ্টেট্যুট মতুং ইন্না ইফেক্তিব অমসুং ইফিসেন্ট ওইবা মওংদা অমদি মীচং মীখায় নাইদনা সেফগার্দ অমসুং মোনিটরিং এক্তিভিটিস পাঙথোক্লিবসিসু ঐখোয়না য়াম্না লুনা লৌই। আইএইএনা ওগষ্ট ৯ অমসুং ১০ দা ফোঙখিবা অপদেটশিং য়াওনা যুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টশিং অমসুং ফেসিলিটিশিংগা মরী লৈননা ফঙলিবা খ্বাইদগী নৌবা ইনফোর্মেসন ঐখোয়না য়েংশিল্লি। যুক্রেনগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি ইন্দিয়ানা মখা তানা লূনা লৌই।

কম্বোসনা যুএনএসসিদা হায়খি, মদুদি লৈবাক অনীগী মরক্তা কনফ্লিক্ট হৌখিবদগী ইন্দিয়ানা খুদক্তা খুৎথানবা অমদি ভাইওলেন্স লেপ্পবা তৎতনা আপিল তৌদুনা লাকখি।

ইন্দিয়ানা নাকল অনীমক্তা দিপ্লোমেসি অমসুং দাইলোগকী লম্বীদা হল্লক্কবা আপিল তৌখ্রবনি। কনফ্লিক্ট অসিবু লোইশিন্নবা দিপ্লোমেটিক্কী লম্বীদা হোৎনরিবা পুম্বা ইন্দিয়ানা শৌগৎলি হায়নসু কম্বোসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না কনফ্লিক্ট অসিগী ন্যুক্লিয়র দাইমেন্সনগী মতাংদা খন্নবগা লোয়ননা যুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অসিনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা পীরিবা চৈথেং মরু ওইনা চিঙ্গাক্কী আইটেমশিং, ফর্টিলাইজর অমসুং ফ্যুএল সপ্লাইদা পীরিবা চৈথেং অসিসু কুপ্না খন্নবা চঙই।

সেক্রেটরি জেনরেলগী ইনিসিএটিব মখাদা যুক্রেনদগী ব্লেক সীগী খুথাংদা হৱাই চেঙৱাইশিং এক্সপোর্ট তৌবা হৌনবা লোয়ননা রসিয়াগী চিঙ্গাক্কী আইটেমশিং অমসুং ফর্টিলাইজরশিং এক্সপোর্ট তৌবা য়ানবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং পুন্নমকপুসু ঐখোয়না তরাম্না ওকই হায়না ইন্দিয়াগী পার্মেনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিব অসিনা মখা তাখি।

# এফবিআইগী এজেন্টশিংনা ট্রম্পকী প্রেমিসেসতা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গা মরী লৈনবা চে চাংশিং থীখ্রে

ৱাশিংতন, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):




মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা চয়োল অসিগী অঙনবা শরক্তা যুএসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ফ্লোরিদাদা লৈবা প্রেমিসেসতা এফবিআইগী এজেন্টশিংনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অমদি অতৈ চে চাংশিং থী হুমখ্রে হায়না রিপোর্ট অমনা হায়রি।

মেদিয়া রিপোর্ট অদুবু এফবিআইবু য়েংশিল্লিবা যুএস জষ্টিস দিপার্টমেন্টদা নত্তনা ইনভেষ্টিগেটিব এজেন্সি অসিনা য়াখিদবা নত্ত্রগা কনফার্ম তৌবা লৈখিদে। ৱাশিংতন পোষ্টনা রিপোর্ট অদুবু ইনভেষ্টিগেসন অদুদা চেন্নবা মশক মমিং ফোঙদোক্তবা ওফিসল কয়ানা ফোঙদোরকপনি হায়নসু পনখি। তৌইগুম্বসুং রিপোর্ট অদুদা এজেন্টশিং অদুনা থীরিবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায়গা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং অদুগী মখা তাবা অকুপ্পশিংদি পনখিদে।

গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংনা কিরিবদি দোক্যুমেন্টশিং অসি মেম্বর কয়াদসু চৎনবা ক্লব অমা ওইরিবা ট্রম্পকী ফ্লোরিদাদা লৈবা য়ুম অদুদা অরানবা মীওইশিংগী খুৎতা তাখিবা য়াই হায়বসিনি।

পনবা য়াবদি, ট্রম্পনা মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মনুংদা থেংনখিবা য়াম্লবা দোক্যুমেন্টশিং মখা তানা পায়শিন্দুনা থমখিবনি। তশেংনমক্তি দোক্যুমেন্টশিং অদু মহাক্না গভর্ণমেন্টদা অমুক হল্লকফম থোকপনি হায়রি।

দোক্যুমেন্টশিং অসিবু শীন্নফম থোক্লিবা নেসনেল অর্কাইবসনা থাকয়া চুপ্না মখোয়গী মতাংদা মঙোন্দা অমসুং মহাক্কী এইদশিংদা তকশিন্দুনা লাকপনি। ট্রম্পনা থোক্লকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না যুএসকী প্রসিদেন্ট অমদা মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্কী ফ্লোরিদাদা লৈবা য়ুমদা এফবিআইগী এজেন্টশিংনা থী হুম্বা চত্থখি।

এফবিআইগী এজেন্টশিংগী থৌওং অদুবু ট্রম্পনা পোলিটিকেলগী ওইবা লম্মন খুন্নগী ওইবা রেইদ অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিগী মার-এ-লাগো রেসিদেন্সতা থী হুমখিবগী ৱারেন্ট হাংদোক্নবগী মোশন অমা যুএস দিপার্টমেন্ট ওফ জষ্টিস (দিওজি) না ফাইল তৌখ্রে। এফবিআইগী এজেন্টশিংনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফ্লোরিদাগী পামবিসতা লৈবা রিজোর্ট অদুদা রেইদ চত্থখিবা মতুংদা এর্টোনি জেনরেল মেরিক গার্লেননা ৱাফম অসি লাউথোকখিবনি।

# অলেক্সি নবালনিনা রসিয়াগী প্রিজন কেম্পদা ৱান-মেন ট্রেদ য়ুনিয়ন শেমখ্রে

মোস্কো, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):



জেলদা লৈরিবা ক্রেমলিনগী ক্রিটিক অলেক্সি নবালনিনা পেনাল কোলোনি অদুগী মনুংদা ট্রেদ য়ুনিয়ন অমা শেমখ্র। ক্রেমলিনগী ক্রিটিক অসি রসিয়ন গভর্ণমেন্টবু লেপ্পুনা ওপোজ তৌখিবগী চৈরাক ওইনা মফম অদুদা থল্লিবনি।

শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্কী ট্বিট্টর অমদা হায়খি, মদুদি পেনিনেন্টসিয়ারি সিষ্টেম প্রোমজোনাদা সিটিজনশিংগী লেবর য়ুনিয়নগী ফাউন্দর অমসুং লুচিংবা ওইরিবা নবালনিনা ট্রেদ য়ুনিয়ন অমা শেল্লে। নবালনিনা খোঙথাং অসিবু রসিয়াগী প্রিজনশিংদা মীওই ৬০০,০০০ রোম এক্সপ্লোইট তৌবগীদমক্তা মহাক্না খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়খি।

মথৌ তারবদি মহাক্না জেলগী গার্দশিংগী য়েংলগা থবক পায়খৎলকপসু য়াই হায়বা ৱাফমসু থমখি। কোলোনি ৱার্কর অমা ওইনা ঐহাক্না অসিগুম্বা খোঙথাং অমা লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না খল্লি। জেলদা লৈরিবা অতৈ কনফিক্টশিংসু ৱার্কর ঙাক্তনি।

মখোয়দা নত্তনা গার্দশিংসু কোলোনি অসিগী এমপ্লোয়িশিংনি। লেবর রাইটসকী মতাংদা ঐখোয় অমগা অমগা খেন্নবা অমত্তা লৈতে। ঐখোয়গী রাইটশিং প্রোটেক্ট তৌনবগীদমক্তা ঐখোয়না য়ুনিয়ন অমা শেমজবা য়াই হায়না নেবালনিনা ফোঙদোকখি।

মসিগী মমাঙদা মশাগী চহী ৪৫ শুরবা ওপোজিসন ফিগর অসিনা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদুবু কেম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফাগিনি হায়না লৌখি অমসুং মদুবু ইল্লিগেল ওই হায়না লাউথোরকখি।

# ঈকং মরক্তা কার্লিফোর্নিয়ানা অনৌবা ৱাটর ষ্ট্রেটৈজি লাউথোকখ্রে

সেন্ট ফ্রান্সিস্কো ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):

ঈকংগী ফিভম মায়োক্নরক্লবা কার্লিফোর্নিয়ানা হেন্না শাবা অমদি কংশিল্লকপগী ফিভমশিং থেংনবা ঙম্নবা অনৌবা ৱাটর ষ্ট্রেজেটি অমা লাউথোকখ্রে।

যুএসকী মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ষ্টেট অসিদা কা হেনবা ৱেদরনা কুমজা ২০৪০ ফাওবগী মনুংদা ঈশিংগী সপ্লাই চাদা ১০ ফাওবা হন্থরকপা য়াই হায়না ওফিসলশিংনা থাজবগা লোয়ননা অনৌবা ৱাটর ষ্ট্রেটৈজি অদু লাউথোকখিবনি।

সোইলশিং, পাম্বী, উ ৱাশিং অমসুং এটমোস্ফিয়রদা চঙখ্রগদবা ঈশিংগী চাংগী মহুৎ ওইহন্নবা কার্লিফোর্নিয়াগী গভর্ণর গাবিন ন্যুসোমনা ঈশিংগী সপ্লাই হেনগৎনবা অমদি কা হেনবা ৱেদরগী পেটর্নশিং থেংনবদা খুদোংচাহনগদবা এক্সনশিং লাউথোকখি।

ষ্ট্রেটৈজি দোক্যুমেন্ট অমদা পল্লিবা এক্সনশিং অদুদা ৱাটর সপ্লাইগী অনৌবা সোর্সশিংদা ইনভেষ্ট তৌবা, ষ্টেট অসিনা অনৌবা টেক্নোলোজিগী খুত্থাংদা ঈশিংবু মেনেজ তৌনবগী পোজেক্টশিং য়াংশিনবগী ৱাফমশিং য়াওরি।

ক্লাইমেট চেঞ্জনা খোঙজেল থুনা অহোংবা কয়া লাকহল্লিবা অসিগা চান্ননা ঈশিংবু লীদুনা থম্বা য়ানবা রি সাইকল তৌনবা অমদি থুমহি চেনবা ঈশিংবুনা থুমগী শরুকশিং লৌথোকপদা মতেং পাঙনবা হৌখিবা চহী অনীগী মতমদা ষ্টেট ইনভেষ্টমেন্টশিং ওইনা দোল্লর বিলিয়ন ৮ গী শেনফমশিং শীজিন্নখ্রবা মতুংদা ন্যুসোমনা অনৌবা ৱাটর ষ্ট্রেটৈজি অসি লাউথোকখিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# এফবিআইগী ওফিসতা নমদুনা চঙনবা হোৎনখিবা ১ হাৎখ্রে

ৱাশিংতন, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):

যুএসকী সিন্সিনাটি সিটিদা লৈবা ফেদরেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (এফবিআই) গী ফিল্ড ওফিস অমদা নমদুনা চঙনবা হোৎনখিবা খুৎলায় পায়বা মীওই অমা পুং খরা মুক্নরবা মতুংদা লো ইনফোর্সমেন্ট কাঙবুনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

ফেদরেল লো এনফোর্সমেন্ট এজেন্সি অসিগী ষ্টেটমেন্ট মতুং ইন্না মীওই অদুনা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ৯.১৫ রোম তাবদা ওফিস অদুগী ভিজিটর স্ক্রিনিং ফেসিলিটিদা নম্ফুদা চঙশিন্নবা হোৎনখি।

ঙাইহাক লৈরগা মীওই অদু মফম অদুদগী চেনখি অমসুং মহাক্কী গাড়ী অদুবু লো এনফোর্সমেন্ট কাঙবুনা তান্নখি। মহাক ৱেলমিংতন মনাক্তা ওফিসারশিংগা মায়োক্নখি। মখোয়গী মরক্তা পুং খরা নোংমৈ কাপ্নরবা মতুং নুংথিলগী মতমদা ওফিসারশিংনা মহাকপু হাৎপা ঙমখিবনি।

# য়েমেনগী সবৱাদা সেক্যুরিটি ফোর্স মশেল খুৎ থোক্নবদা শিবা মশিং ২৮ শুরে

অদেন, ওগষ্ট ১২ (এজেন্সী):



য়েমেনগী থাউ মরাং কায়না ফঙবা প্রোভিন্স সবৱাদা রাইবেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নবদা শিবা মশিং ২৮ শুরে হায়না মেদিকেল ওফিসার অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

মশক মমিং তাকথোক্নিংদবা লোকেল মেদিকেল সোর্স অদুনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা সবৱাগী লম্বীশিংদা নুমিৎ কয়ানি চুপ্না খুৎ থোক্নবদগী পুন্না মীওই ২৮ শিখ্রে অমসুং মীওই ৬৮ হেন্না অশোক অপন নঙলে হায়বসি কনফার্ম তৌরে।

নাকল অনীমক্কী অশোকপা নঙলবা মীওইশিং সবৱাদা লৈবা পব্লিক অমসুং প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়েমেনগী খা থংবা প্রোভিন্স সবৱাগী মফম খরদা রাইবেল সেক্যুরিটি য়ুনিটশিংগী মরক্তা শাথীবা মওংদা খুৎ থোক্নরকখিবনি।

মুস্লিম ব্রাদর হুদকা মরী লৈনবা ইস্লা পার্টিগী সেক্যুরিটি য়ুনিটশিংনা প্রোভিন্সিএল কেপিটেল অটাক্তা গভর্ণমেন্ট সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা এটেক তৌখিবগা লোয়ননা লম্বীশিংদা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নরকখি।

লোকেল য়েমেনি ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না ইস্লা পার্টিবু শৌগৎপা সেক্যুরিটি য়ুনিটশিং অদুবু লুচিংগদবা অনৌবা কম্যান্দর অমা হাপ্পবা মতুংদা রাইবেল সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা য়ান্নদবগী থৌওংশিং উৎনরকখিবনি।

য়ুমশকৈশ নুমিত্তা সবৱাগী গভর্নরনা সার্উর্দন জাইন্স বৃগেটসকী টুপশিংদা রেবেল টুপশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসন অমা পাঙথোক্নবা অমদি প্রোভিন্স অদুদা লৈরিবা লোকেল ষ্টেট ফেসিলিটিশিং সেক্যুর ওইহন্নবা ওর্দর তৌখি।


भारतीय भू-चुंबकत्व संस्थान
INDIAN NSTITUTE OF GEOMAGNETISM
(An Autonomous Scientific Research Organization
Under the Department of Science and Technology, Govt. of India)

**Advt. No. 02/IIG/HRD/2022**

**একাদেমিক অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব পোষ্টশিংগী রিক্রুটমেন্ট**

আই আই জিগী তোঙান তোঙানবা একাদেমিক অমসুং এদমিনিষ্ট্রেটিব পোষ্টশিংগীদমক ওনলাইনদা এপ্লিকেসনশিং কৌজরি। মথৌ তাবা অকুপ্পশিং অসিনচিংবা অমসুং এপ্লিকেসন ফোর্ম ইন্সটিট্যুট অসিগী ৱেবসাইট https://iigm.res.in/careers/positionvacancies তা ফঙগনি।

রেজিষ্ট্রার

CBC 36127/12/0001/2223



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref. no. Mut. Case no. 214/SDC/Heirok Dt. 2/8/2022**

Laishram Khambaton Singh S/o (L) Lilla Singh of Heirok Khunou. - Applicant

-Vs-

(Late) Pattadar, Laishram Lilla Singh of Heirok Khunou, Pattadar -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 9/8/2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল হৈরোক খুল নং ১২৯-হৈরোক পার্ট-২ পাট্টা নং ১৩৮ (অরিবা), পাট্টা নং ৫৯১ (অনৌবা), দাগ নং ১১২১ (Sht-2) এরিয়া ০.০৩৪০০ হে: (০.০৮৪০১ একর) চাওবা ইঞ্জোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মচানুপা খম্বাতোন সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Heirok, Govt. of Manipur**

HL-P/3664/13



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK, GOVT. OF MANIPUR**

**Ref. no. Mut. Case no. 215/SDC/Heirok Dt. 2/8/2022**

1. Thokchom Gandha Singh S/o Bheiga Singh of Heirok Part-II Maning Leikai (Piba Macha)
2. Ningthoujam Homendro Singh S/o (L) Ingotombi Singh of -do- (Ningol Macha) - Applicants

-Vs-

(Late) Pattadar, Thokchom Ibomcha Singh-Nabalak, Tali S/o Likkhom Singh of Heirok, Co-Pattadar no. 2. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**

Dt. 9/8/2022

Under Section 46(3) MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল হৈরোক খুল নং ১২৯-হৈরোক পার্ট-২ পাট্টা নং ১৬৫ (অরিবা), পাট্টা নং ২২৪ (অনৌবা), দাগ নং ৩৯, এরিয়া .১৪৮০ হেক্টর চাওবা ইঞ্জোল অসিদা নামা পাল্লিবা কো:পাট্টাদার নং ২শুবা থোকচোম ইবোমচা সিংহ মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা মহাক্কী মশুনুপা দংকারি (এপ্লিকান্ট) নং ১শুবা অমসুং ২শুবা মখোয় অনীগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুগা মৃ: ওইখ্রবা কো:পাট্টাদার নং ২শুবগী ফংফম থোকপা লমগী শরুক্তগী দংকারি নং (১)শুবনা ফংগদবা এরিয়া .০৩ একর (.০১২১ হে:) অসিনি। দংকারি (২) শুবনা ফংগদবা এরিয়া .০৫ একর (.০২০২ হে:) অসিনি। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector, Heirok, Govt. of Manipur**

HL-P/3664/13



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF HEALTH SERVICES**
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**

Imphal, the 4th August, 2022

No.104/1/2022-DHS: In continuation of this Directorate Notification of even No. dated 27th July, 2022 it is hereby informed to all the concerned that, the counselling which was postponed vide this Directorate Notification of even No. dated 2nd August. 2022 is re-scheduled on 17th August, 2022 (Wednesday) for Paramedical, M.Sc.(N), B.Sc.(N) and 18th August, 2022 (Thursday) for GNM/FHW courses, 2022.

A. **Venue: Main auditorium, JNIMS, Porompat.**

B. Registration of Candidates: From 9:00 a.m. to 10:30 a.m. on 17th & 18th August, 2022 and no claim for registration shall be entertained after 10:30 a.m.

**Sd/- Dr. Kh. Sasheekumar Mangang**
**Director of Health Services, Manipur**

HL-P/3669/13



**BOARD OF SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**

Imphal, the 12th August, 2022

No. Ex/50/73(Pt)/742: It is hereby notified for information of those candidates who had applied for re-scrutiny of their answer scripts that the results of re-scrutiny may be collected from the office of the Board of Secondary Education, Manipur during office hour w.e.f. 12th August, 2022. Compartmental eligible candidates after re-scrutiny of answer scripts may contact their respective Headmistresses/ Headmasters/ Principals of Schools/ Institutions.

**Sd/- (L. Mangi Singh)**
**Controller of Examinations**

HL-P/3672/13



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE FOR WELFARE OF OBC & SC**
1st Floor, South Block, Secured Office Complex, A.T. Line, Imphal

ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / **NOTIFICATION**

Imphal, the 9th August, 2022

**No. A/4/NSP/OBC&SC-2022/1016:** In continuation of this office Notification of even No. dated 3rd August, 2022, it is, hereby, informed to all concerned that online registration of Scholarship Schemes viz., OBC (Pre-Matric & Post-Matric) and EBC (Pre-Matric & Post-Matric) based Scholarship Schemes for students belonging to the notified OBC and EBC Community for the year 2022-23 have been opened on National Scholarship Portal (NSP) as per the timelines and conditions laid hereunder:

| Scholarship Schemes | Online Registration Closing Date | Defective Verification | Last Date for Online Verification at Institute Level (L1) |
|---|---|---|---|
| i) Centrally Sponsored Post-Matric Scholarship for OBC students, Manipur | 31st October, 2022 | 15th November, 2022 | 15th November, 2022 |
| ii) Dr Ambedkar Centrally Sponsored Post-Matric Scholarship for EBC students, Manipur | | | |
| iii) Centrally Sponsored Pre-Matric Scholarship for OBC students, Manipur | 30th September, 2022 | 16th October, 2022 | 16th October, 2022 |

2. Only online applications under the Schemes will be accepted and no request for offline applications will be entertained. Website for filling up of Online Scholarship Application is **www.scholarships.gov.in.** A link to this site is also available in the website of this Directorate (**www.manipurobcsc.gov.in**). Alternatively, application may also be submitted through NSP App by downloading the same from Google Play Store.

4. The following conditions/points are to be noted while registering for OBC, SC & EBC Scholarships, 2022-23 at NSP:

i. As per revised scheme guidelines, Pre-Matric Scholarship for OBC & EBC will be awarded to those students studying in class IX and X on a full-time basis in Government School only. Detailed Guidelines of Scholarship Schemes and Standard Operation are available on NSP Homepage at **www.scholarships.gov.in.**

ii. Fresh applicant(s) have to register at NSP to get Login Credentials and fill-up the entry form by entering complete details to get the Registration ID. All Renewal applicant(s), who have received SMS for renewal option and continuing the same course, may register using their existing Scholarship Application ID.

iii. Aadhaar Number/Aadhar Enrolment ID Slip/Bank Passbook with photograph are required as Identification documents. Aadhaar demographic authentication based on applicants details i.e. name, gender, and year of birth as given in Aadhaar has been introduced on NSP Portal.

iv. All verifying authorities (INO/SNO) can mark an application fake if he/she is satisfied that the applicant is not a Bonafide student. In other circumstances, in case of non-fulfillment of eligibility criteria or inconsistency of records, the verifying authority may either reject the application or mark it defective and give the applicant another opportunity to correct their records.

v. Aadhar based demographic authentication of Institute/State Nodal Officer is required. All stakeholders are requested to update the Aadhaar number of both the INO (along with mobile number linked with the Aadhaar) and the Head of the Institute on NSP. If the INO is unable to do so, then kindly submit the **Annexed Form** to our Directorate at the earliest so that their students can apply and cause verifications of their applications on the Portal without any delay.

vi. Academic attendance should be minimum 75%. The INOs shall ensure that students below 75% attendance are not verified.

vii. For EBC Scholarship scheme, students studying in Government School(s) / College(s) / Institute(s) only are eligible.

viii. **Documents to be uploaded:**

a) Student photograph.
b) Caste Certificate: OBC, EBC & SC certificate of the applicant issued by the Competent Authorities/Executive Magistrates.
c) Income Certificate: 2.5 lakh per annum for OBC (Pre-Matric & Post-Matric), SC (Pre-Matric & Post-Matric) and EBC (Pre-Matric & Post- Matric).
d) Bonafide student of Institution Certificate (Certificate form available on NSP)
e) Date of Birth Certificate: Upload class X certificate for Post-Matric and for Pre-Matric, Date of Birth certificate issued by the Competent Authorities/Executive Magistrates
f) Bank Passbook.
g) Self-Attested Certificate of previous Academic Marksheet / Admit Card.
h) Admission Receipt
i) Gap year Certificate: Students having a study break of less than 3 (three) years should upload an Affidavit/Break Certificate stating the reason of break in his/her academic studies from the competent authority. Students having a study break of more than 3 (three) year will not be eligible for this Scholarship under any circumstances.

ix. Further details may be obtained from (1) Santosh Kumar Chongtham, Senior Finance Officer/OBC & SC (State Nodal Officer, OBC & SC Scholarship), (2) M. Dinesh Singh, Office Assistant/MA & (3) Maibam Devika, Office Assistant/OBC & SC on the contact numbers 9774329972/9774496772 during **office hours only** or at the enquiring mail: **mobc-scholarships@googlegroups.com.**

**Sd/- Ng. Bhogendra Meitei**
**Director (OBC & SC), Manipur**

HL-B/7797/13, 14